# ট্রাওগী কোমরোন টুরসুনোভনা হিরো আই-লীগকী খ্বাইদগী থুবা পাঞ্জল চনখ্রে, চর্চিল ব্রদর্সনা ইন্দিয়ন এরোজ ৫-২দা থোইখ্রে


মেটচ হৌরকপা সেকেন্দ ৯গী মনুংদা ট্রাওগী মায়কৈদগী রিয়াল কাশ্মীরগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা টুরসুনোভ

কোলকাটা, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): হিরো আই-লীগকী পুৱারীদা খ্বাইদগী থুনা পাঞ্জল চনবগী রেকোর্দ অদু ঙসি মণিপুরগী ক্লব ট্রাওগী মায়কৈদগী টাজিকিস্থান মচা কোমরোন টুরসুনোভনা রিয়াল কাশ্মীরগী মায়োক্তা মেটচ হৌরকপা শুপ্পগী ৯শুবা সেকেন্দদা পাঞ্জল চন্দুনা রেকোর্দ থমখ্রে। মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা চর্চিল ব্রদর্সনা য়াম্না হেন্দুনা ইন্দিয়ন এরোজ টিমবু পাঞ্জল ৫-২দা থোইখিবদা ক্লেভিন জুলিয়ন জুনিগানা হেটট্রিক ফংখ্রে।

ঙসি নুংথিল কোলকাটাগী কিশোর ভারটি ক্রয়াঙ্গনদা শান্নখিবা আই-লীগ অসিগী ৪শুবা মেটচতা মণিপুরগী ক্লব ট্রাও (টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন) অমদি রিয়াল কাশ্মীরগা লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদু হৌরকপা শুপ্পগী সেকেন্দ ৫ খক্তমক হৌজিল্লকপদা ট্রাওগী শান্নরোম কোমরোন টুরসুনোভনা রিয়াল কাশ্মীরগী মায়কৈদগী কাওখৎলকপা বোল অদু অমুক্তমক ফারগা শাফু কন্না কাওশিনখিবদা রিয়াল কাশ্মীরগী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম ট্রাওগী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চনশিনবা ঙমখি। অদুবু রিয়াল কাশ্মীরগী মায়কৈদগীসু মখোয়গী রিদম অদু পুখৎলক্তুনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা কয়া শেমগৎলকখি। ২৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী দিপান্দানা হোৎনখিবা শোট অমা মপা ওন্নবদগী পাঞ্জল ওইহৌখিদে। ৩৭শুবা মিনটতসু মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা মখোয়না ট্রাওবু খূদুম চনখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৮শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কোমরোননা কাউন্টর এটেক অমদগী ফংখিবা বোল অদু কাওশিনখিবদা কিপরদা চুম্না চৎখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌখিদবনি।

ইক্কেলাইজর থিবদা অকনবা প্রেসর পীশিল্লকখিবা রিয়াল কাশ্মীরগী মায়কৈদগী ফংখিবা ফ্রী কিক্ অমগী বোল অদু ৭০শুবা মিনটতা মেসন রোবর্টসননা হেদ তৌশিল্লগা পাঞ্জল চন্দুনা ১-১দা লৈনখি। মেটচ লোইশিল্লকপদা ট্রাওগী মায়কৈদগীসু অকনবা মওংদা পাঞ্জল হেনগৎনবা হোৎনখি। ৮৭শুবা মিনটতা ট্রাওগী কেপ্টেন ফালগুনিনা রিয়াল কাশ্মীরগী পেনাল্টি বোক্সকী মতোন্দগী কাওশিনখিবা শোট অদু পাঞ্জল ওইবা ঙমহৌদবদগী মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

ঙসি কলয়ানি ষ্টেদিয়মদা চর্চিল ব্রদর্স অমদি ইন্দিয়ন এরোজকা লম্বা তৌনখি। মেটচকী অঙনবা শরুক মিনট ২ শুরকপদা চর্চিল ব্রদর্সকী লুকা মাস্কেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অথুবদা ইন্দিয়ন এরোজকী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর ভনলালরুৱাফেলানা ইক্কেলাইজর অদু ৯শুবা মিনটতা চনখি।

লেং মান্নবা লৈরবা মতুংদা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা ইন্দিয়ন এরোজকী মায়কৈদগী গুরকিরাট সিংহনা পেনাল্টি অমদগী পাঞ্জল চনখি। মেটচ অদুদা হেটট্রিক ফংখিবা চর্চিলগী ক্লেভিননা ৩৫শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর চনখি।

অনীশুবা হাফতা ক্লেভিননা ৫৯ অমসুং ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিনখি। অদুগা লুকানা ৭৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৫-২দা থোইখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers | 1 | 1 | 0 | 0 | 5 | 2 | 3 | 3 |
| 2 | Chennai City FC | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | 1 | 3 |
| 3 | Mohammedan SC | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| 4 | Punjab FC | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| 5 | Real Kashmir | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| 6 | TRAU | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| 7 | Neroca FC | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 8 | Gokulam FC | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 9 | Aizawl | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| 10 | Sudeva | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| 11 | Indian Arrows | 1 | 0 | 0 | 1 | 2 | 5 | -3 | 0 |

# ইন্দিয়ানা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ মায়পাক্লনবা মখাতানা রন ৩০৯ লৌবা তঙাই ফদ্রি


ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মানা লেগ গ্লান্স সোট তৌখিবা

সিদনি, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা সিদনি ক্রিকেটগ্রাউন্দদা শান্নরিবা ৩শুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা মায়পাক্লবগীদমক অনীশুবা ইন্নিংসতা মখাতাবা রন ৩০৯ লৌবা তঙাই ফদ্রি।

থা অসিগী ৭তগী হৌখিবা ৩শুবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা টোস ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩৩৮ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ২৪৪ লৌদুনা ওষ্টেলিয়াদগী রন ৯৪ শোত্থদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর সুবমান গিল অমসুং চিতেশ্বর পুজারানা রন ৫০/৫০ লৌরম্বা অদু খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। রিসব পন্টনা রন ৩৬ লৌরম্বা অমসুং রোহিট শর্ম্মা অমদি রবিন্দ্র জদেজানা রন ২৮ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ঙরাং টেষ্ট মেটচ অসিগী হুম্নিশুবা নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী বেটসমেন অনী আউট ওইরগা রন ১০৩ লৌখি। ক্রিজদা মার্নস লাবুসাঙ্গে অমসুং ষ্টিবন স্মিথনা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৪৭ অমসুং ২৯ লৌদুনা লৈখিবনি। মখোয় অনীনা মখাতানা ঙসি ৪নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা হৌরকপদা অপুনবা স্কোর ১৩৮দা লাবুসাঙ্গে রন ৭৩দা আউট তাখি। নৌনা চঙলকপা ৱেদরন ৪ দা আউট ওইখ্রবা মতুং গ্রিন শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা স্মিথকনা ৫শুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপ্তা রন ৬০ হাপচিনখি। স্মিথ রন ৮১দা আউট ওইখিবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ২০৮ লৈখি। টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ৩১২ য়ৌরকপদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্নিংস দিক্লার তৌখি। ক্রিজদা গ্রিন অমসুং প্যেন মথংশিংনা রন ৮৪ অমসুং ৩৯ লৌরগা লৈখি।

ইন্দিয়ানা মায়পাক্লবা অপুনবা রন ৪০৭কী টার্গেট লৈখি। মদুগীদমক ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রোহিট শর্ম্মা অমসুং সুবমান গিলনা ইন্নিংস হৌরকপদা রন ৭১ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংসকী ২৩শুবা ওভরদা সুবমান গিল রন ৩১দা আউট ওইখি।

ওপনর রোহিট শর্ম্মানা চিটেশ্বর পুজারাগা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপ্তা রন ২১ হাপচিনদা ঙাইরিঙৈ রোহিট শর্ম্মা মশাগী রন ৫২দা পেট কম্মিন্সনা আউট তাহনখি। রোহিটনা বোল ৯৮ মায়োক্লবদা সিক্স অমগা ফোর ৫ য়ৈবা ঙমখি। ঙসি ইন্দিয়ানা ৪নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোয়শিল্লকপদা পুজারা অমসুং কেপ্টেন রহানে রন ৯ অমসুং ৪ লৌদুনা লৈরি। হয়েং রন ৩০৯ লৌরবদি ইন্দিয়ানা মায়পাক্কদৌরিবনি।

# বর্সেলোনা মায় পাকখ্রে, রিয়াল মাদ্রিদ ওসাসুনাগা দ্রো চৎখ্রে

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): লিওনেল মেসি অমসুং এন্টোইন গ্রিজমানগী পাঞ্জল ২/২না বর্সেলোনানা গ্রানাদাবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখ্রে। অমরোমদা, রিয়াল মাদ্রিদ ওসাসুনাগা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা লালিগাগী মেটচ অমদা বর্সেলোনানা মখোয়গী ১৮শুবা রাউন্দ অদু গ্রানাদাগী হোম গ্রাউন্দ ষ্টেদিয়ম ন্যুভো লোস কার্মেন্সতা শান্নখি। গ্রানাদাগীদি ১৭শুবা মেটচ ওইখি।

মেটচকী হৌরকপা ১২শুবা মিনটতা বোল হেন্না পায়বা ঙমখিবা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী ফ্রান্স মচা এন্টোইন গ্রিজমাননা একাউন্ট হাংদোক্তুনা গ্রানাদাবু ১-০দা হেনখি। গ্রানাদাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবা ফংদনা লৈরিঙৈ মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এন্টোইন গ্রিজমাননা পীরকপা বোল অমদা লিওনেল মেসিনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মখা তানা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখিবা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমগসু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা মেটচকী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা গ্রানাদাগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা হোৎনরকখি, কান্নবা ফংবা ঙমখিদে। মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এন্টোইন গ্রিজমাননা টিমমেট ওস্মান দেমবেলেনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল চন্দুনা গ্রানাদাবু মখোয়না ৪-০দা হেন্দুনা মায় পাকখি।

রিয়াল মাদ্রিদনা ওসাসুনাগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুদা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈরিবা ওসাসুনাগী মায়কৈদা রিয়াল মাদ্রিদনা পাঞ্জল অমফাওবা চনবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখি।

# পি এস জি মায় পাকখ্রে, দ্রো চৎলবসু লিওননা মাঙজিল থারি

পেরিস, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): ফ্রান্সতা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১৮ অমসুং ১৯শুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা ব্রেষ্টপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। অদুগা লিওননা রেন্সকা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎলবসু মখোয়না পোইন্ট টেবলগী লুচিংবা অদুম্মক ঙল্লি।

পেরিস সেন্ট জর্মেননা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ পার্ক দেস প্রিন্সেসতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৬শুবা মিনটতা ব্রেষ্টকী মায়কৈদা মখোয়না পাঞ্জল চনবা হৌখি। পাঞ্জল অদু মোইস কিননা চনখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা ব্রেষ্টকী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা মওংদা প্রেসর পীরক্তুনা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোয়শিং মখোয়গী মায়কৈদা বোল পুশিল্লক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। অহানবা হাফ পি এস জিগী পাঞ্জল অমখক অদুনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী পুংখায় হেঞ্জিল্লবা মতম ফাওবদা ব্রেষ্ট পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। ৮১শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী মোরো আইকার্দিনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা মিনট ২ লৈরগা টিম অদুগী শান্নরোয় পাব্লো সরাবাইনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা পেরিস সেন্ট জর্মেন পোইন্ট ৩৫ ফংলগা টেবলগী লুচিংবা ওইরিবা লিওনদগী শুপ্পগী পোইন্ট অমখক হন্থরগা লৈরি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী লুচিংলিবা লিওন অমসুং রেন্স লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতা রেন্সকী মায়কৈদগী ক্লিমেন্ট গ্রেনিয়রনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা অনীশুবা হাফতা বেঞ্জামিন বোরিগোনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা লিওনবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। লিওনগী মায়কৈদগী ৭৯শুবা মিনটতা মেমফিস দিপেনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুগা ৮২শুবা মিনটতনা টিমমেট জেসন দেনায়রনা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু ২-২দা দ্রো চৎখি।

# আর বি এস লৈপজিগ দোর্টমুন্দগী মখূৎতা ১-৩দা মায়থীবা নংখ্রে

বর্লিন, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): জর্মনিগী বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা পূন্না টিম ১৮ লম্বা তৌনবগী মনুংদা মায় পাক্লবদি টেবলগী মকোক্তা লৈরম্বা য়াবা খূদোংচাবা অমা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগনা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগা শান্নবা ১৫শুবা রাউন্দগী মেটচতা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীদুনা পোজিসন হাইগৎপা ঙমখিদ্রে।

রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগ মমাংগী রাউন্দ ১৪দা পোইন্ট ৩১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অদুগা পোইন্ট টেবলগী লুচিংলিবা বেয়র্ন ম্যুনিক বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাককী মখূৎতা মায়থীরবসু পোইন্ট ৩৩ ফংলগা লৈখিবনি। মরম অদুনা রাসেনবোলস্পোর্টনা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগা লম্বা তৌনবা মেটচ অদুদা মায় পাক্লম্বা তারবদি পূন্না পোইন্ট ৩৪ ফংলগা লীগকী লুচিংবা ওইরমগদবনি।

ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদুদা নাকল অনীমক্তগী লম্বা য়াম্না মান্নবা শান্নবা ঙম্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবা অমত্তা ফংনখিদে। হাফ লোইশিনবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী পাঞ্জল লৈখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৫৫শুবা মিনটতা দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী মার্কো রুসনা পীরকপা বোল অমদা জাদোন সানচোনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মখা চত্থরকপা ৭১শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা জাদোন সানচোনা সপ্লাই তৌখিবা বোল অমদা আর্লিং ব্রোদ হালেন্দনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিনখি। রাসেনবোলস্পোর্টকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা আর্লিং ব্রোদ হালেন্দনা টিমমেট মার্কস রুসনা পীরকপা বোলদা মেটচ অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চল্লগা লৈখি। ৯০শুবা মিনটতা রাসেনবোলস্পোর্টকী মায়কৈদগী অলেকজেন্দর সোরলোটনা পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগা ১-৩দা মায়থীখি।

# টোরিনো মায়থীবা পীদুনা এ সী মিলাননা সেরি এগী মাঙজিল থারি

রোম, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): ইটালিগী সেরি এগী ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবদা টোরিনোবু এ সী মিলাননা ২-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখা তানা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

এ সী মিলাননা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ সান সিরোদা টোরিনোবু য়ূম্বু ওইরগা ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু শান্নখিবনি। মিনট ২০ লোমদি টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্নদনা লাকখি। ২৫শুবা মিনটতা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী চত্থখিবা এটেক অমদা ব্রাহিম দিয়াজনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা রাফেল লিওনা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

মমাংগী রাউন্দ ১৬ লোইশিল্লকপদা এ সী মিলাননা মেটচ ১১ মায় পাকপা ঙমখিবা, লোয়ননা দ্রো ৪ চৎলগা মেটচ অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৩৭ ফংদুনা টিম ২০গী লম্বা অসিদা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৯দা ঙাইরবা মতমদা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখিবা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা টোরিনোগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা টোরিনোগী দিফেন্দরশিংনা কাঙলোন লান্না বোল মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু এ সী মিলানগী ফ্রাঙ্ক কেসিনা অশোয়বা য়াওহন্দনা পাঞ্জল চন্দুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুদা টোরিনোগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা মখোয়গী লৈজবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু এ সী মিলানগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়না পুশিল্লকপা বোলশিং অদু কান্নবা ফংহন্দনা দিফেন্দ তৌবা ঙমখি। শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা টোরিনো পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা ০-২দা মায়থীখি। এ সী মিলান পোইন্ট ৪০ ফংলগা ঙরাং রোমাগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমখক ফংখিবা ইন্টরদগী পোইন্ট ৩ হেন্দুনা লৈরি।

# শান্নবুং শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে




য়াইরিপোক, জন্যুৱারী ১০(ঐচএনএস): ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা লৈরগা কৎপা এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক কেক্রু খুলগী নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী শান্নবুং ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না এম এল এনা শঙ্গাদুনা খুলগী মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোক অমসুং কেক্রু দিভলপমেন্ট য়ুথ ক্লব অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ঙসি শান্নবুং শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, কেক্রু আইদিএল প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট লোংজম ইবোচৌবীনা থৌরম মপূ অদুগা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন লোংজম কমলা, কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট সোরাইসম সুর্জিৎ, কেক্রু দিভলপমেন্ট য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট লোংজম ইবোয়াইমা, ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট লোইতাম রাজেন মৈতৈ অমদি সিনিয়র সিটিজন লোংজম মনিহারনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি শঙ্গারিবা লম্পাক অদু ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা লৈরগা শেন্থা-শাবা পূম্নমক তৌরগা কেক্রু খুলদা শিন্নবনি হায়রি। লোয়ননা লৈকাই অদুগী নুপী মচাশিংনা তোঙান-তোঙানবা কলচরেলগী প্রোগ্রাম উৎপা, লৈকাই অদুগী মৌশিংগী থৌরী চিংনবী অমদি য়াইরি ক্লবকী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগা ভেটেরানশিংগী মরক্তা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমসু শান্নদুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

# সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফিদা মমাংগী চেম্পিয়ন কর্নাটাকানা জম্মু কাশ্মীরবু রন ৪৩দা থোইখ্রে, ঝরখন্দবু টামিল নাদুনা রন ৬৬তা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে

অলুর/কোলকাটা, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী ওইনা মমাং চহীগী মার্চ থাদগী লেপ্পুরবা মতুং ঙসিদগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা হৌখিবা সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১দা মমাংগী চেম্পিয়ন কর্নাটাকানা জম্মু কাশ্মীরবু রন ৪৩দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা টামিল নাদুনা ঝরখন্দবু রন ৬৬তা চাওনা থোইবা ঙমখ্রে।



কর্নাটাকাগী অলুরদা লৈবা কর্নাটাকা ষ্টেট ক্রিকেট এসোসিএসন ক্রিকেট গ্রাউন্দদা এলিট গ্রুপ এগী অহানবা মেটচ অদুদা জম্মু কাশ্মীরনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কর্নাটাকাগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৫০ লৌবা ঙমখি। কর্নাটাকাগী মায়কৈদগী কে এল স্রিজিৎনা রন ৪৮ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্না স্কোর তৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লনবা জম্মু কাশ্মীরগী মায়কৈদগী রন ১৫১ লৌনবা হোৎনরকপদা কর্নাটাকাগী বোলরশিংনা ফজবা হেনখিবদগী জম্মু কাশ্মীরগী ইন্নিংস অদু ওভর ১গা বোল ২ ৱাৎলিঙৈদা ৱিকেট ১০মক শুপ্পগী রন ১০৭তা আউট তাহন্দুনা মেটচ অদু কর্নাটাকানা রন ৪৩দা থোইবা ঙমখি।

কোলকাটাগী ইদেন গার্দেন্স ক্রিকেট গ্রাউন্দদা এলিট গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা টামিল নাদু অমসুং ঝরখন্দগা লম্বা তৌনখি। ঝরখন্দগী টিমনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌনবা ৱারেপ লৌখিবা অদু মখোয়গী ওইনা কান্নবা ফংখিদে। টামিল নাদুগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন মঙাখক আউট ওইরগা রন ১৮৯ লৌখি।

টামিল নাদুগী ওপনর হরিস নিশান্টনা শুপ্পগী বোল ৬৪দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা আউট ওইদনা রন ৯২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। টিম অদুগী কেপ্টেন কার্থিকনা অপূনবা স্কোর অদুদা অচৌবা কন্ট্রিব্যুসন তৌবা ঙমখি। শুপ্পগী বোল ১৭তা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৬ লৌরমখি।

ঝরখন্দগী মায়কৈদগী মায় পাক্লনবা রন ১৯০ লৌননবা হোৎনবদা টামিল নাদুগী বোলর সন্দিপ ৱারিয়র অমদি সোনু য়াদবকী ফজবা পর্ফোর্মেন্সনা লাকশিন্দুনা ঝরখন্দগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৭ আউট তাহল্লগা শুপ্পগী রন ১২৩দা লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু টামিল নাদুনা রন ৬৬তা মায় পাকখি।

সোনু য়াদবনা ঝরখন্দগী বেটসমেন অহুম আউট তাহনখি। অদুগা সন্দিপ ৱারিয়রনা বেটসমেন ২ আউট তাহনখি। ঝরখন্দগী মায়কৈদগী অনন্দনা রন ২৮ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা বরোদানা উত্তরখন্দবু, হিমাচল প্রদেশনা ছটিশগরবু, মহারাষ্ট্রবু গুজরাটনা, ওরিষাবু বেঙ্গলনা, উত্তর প্রদেশপু পঞ্জাবনা অদুগা ত্রিপুরাবু রেলৱেজনা থোইবা ঙমখি। হয়েং প্লেট গ্রুপতা মণিপুর অমসুং মেঘলায়া শান্নগনি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে



থৌবাল, জন্যুৱারী ১০(ঐচএনএস): হাওখা কিয়াম-কিয়াম সিফাই স্পোর্টএসোসিএসন (ঐচকেকেএসএ) থৌবালনা এ এম এফ এ মণিপুরগী স্পোন্সরশিপ মখাদা শীন্দুনা নুমীৎ ১৫নি চুপ্পা চত্থগদবা অনীরকশুবা গ্রাসরুটফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙসিদগী এ এম এফ এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতননা শরুক য়াদুনা হাওখা মমাং ফুটবোল গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

পীক্লিবা শান্নরোয় ১০০বু ফুটবোলগী কোচ ৩না তাকপী তম্বীগদৌরিবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এ এম এফ এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতনকুমার, ঐচ কে কে এস এ, থৌবালগী প্রসিদেন্ট ডা. থোঙাম কোমোল, ঐচ কে কে এস এ, থৌবালগী চিফ পেট্রোন মুতুম মনি, টি এম সী ৱার্দ নম্বর ১২গী কাউন্সিল্লর খুঞ্জাময়ুম থম্বাল সিংহ, ৱার্দ নম্বর ১৫গী কাউন্সিল্লর নিংথৌজম ওংবী শান্তি, ৱার্দ নম্বর ১৬কী কাউন্সিল্লর মুতুম ইবোবী অমদি এ এম এফ এগী মেম্বর কয়ানা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এ এম এফ এগী মায়কৈদগী শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্মশিং য়েন্থোক্লদুনা এ এম এফ এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ফুটবোল হায়বা মশান্না অসি ঙসি মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মশান্না অমনি। মালেম অসিদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোককয়ানা মরম ওইদুনা মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাং কয়ানা নৎতবা লম্বীদা চৎখিগদবা কয়া অদুদগী কন্নবগীদমক ফিফানা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পায়খৎপা হৌখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্লদুনা ঐখোয়গী অঙাংশিংসু নৎতবা পামদবা লম্বীদা চৎখিদনবা মশান্না অসিবু পামজবা অঙাংশিংনা শান্নবদা মমা-মপাশিংনা পূক্নিং থৌগৎপীয়ুহায়না ফোঙদোকখি।

EMPLOYMENT NEWS
☞ 22 to 28 yrs Office Asst. ওইনবা মীওইশিংগী ওইনা Thoubal, Kakching, Sekmai, Nambol অমসুং Samurou গা নক্লবা মীওইশিংগী ওইনা Post 2/2 পামজে।
☞ 2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Tyre Fitting Helper 2, Iron W/Mistry 2, চেক্কী Mistry 2, Jugali 5 অথুবদা পামজে।
Please Contact :
M.B. Singh
Mobile No. 8413973840
HL-B/6497/5/1-4/3 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com